**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 23-11-2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-মনিপুরদা ইরাং শাগৎলিবা জেট.আর.এ-কে.এন.এগী লুচিংবা থাংলিয়ানপাউ গুইতে অমসুং পি.এস. হাওকিপগী মথক্তা সরকারনা থিগৎপগী থবক চত্থরি।

ৱাফম অসি ঙরাং জষ্টিস-দি. কৃষ্ণকুমারবু হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌবগী থৌরম লোয়শিল্লকপদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-চাউখৎলবা মতম অসিদা ইন্টরনেটকী মরুওইবশিং খঙদবা নত্তে। অদুবু, হৌজিক ওইরিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম য়েংলগা তঙাইফদনা ইন্টরনেটকী অথিংবা অসি থম্বনি। জিরিবামদা মীওই তরুক তমথিনা হাৎখিবগা অদুগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী বিরেননা হায়-জিরিবামদা থোকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা সি.এস.ওশিংনা খোঙজং চংশিনবদা সরকারনা ৱারৌবা লৈতে। অদুবু, ইরাং অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা এম.এল.এশিংগী ময়ুমদগী পোৎ-চৈ কয়া লৌবা অমদি অকায় অতোয় থোকহল্লম্বা অদু য়ানিংদে। অদুমওইনমক, জিরিবামগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চেন্নবশিং ফাগৎনবা থিবা হুম্বগী থবক চত্থরি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ইরাং অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরিবা খুৎপুশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি। হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসিগী ফিভম ফগৎলক্লবদি ইন্টরনেট অথুবদা হাংদোক্কনি।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট , থৌবাল, বিষ্ণপুর অমসুং ককচিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা রাজ্য অসিদা উংখৎনবা ফিভম লৈরবসু পামদবা থৌদোকশিং থোকখিবগী পাউ লৈতে।

অমরোমদা, কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না থোকখিবা হুকুম অমগী মতুং ইন্না রাজ্য অসিদা সেন্ত্রেল আমর্দ পুলিস ফোর্স কম্পানি খরা নৌনা থাজিল্লক্লে। হৌজিক ফাওবদা পুন্না রাজ্য অসিদা সেন্ত্রেল পুলিস ফোর্স কম্পানি ২৮৮ মথৌ তৌরি।

নাকল অমরোমদা, থা অসিগী ১৬ তা এম.এল.এশিংগী য়ুমদা থোমজিনদুনা অমাং অতা থোকহনখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অনি অমসু পুলিসনা ফারে। হৌজিক ফাওবদা থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা মীওই ৩৪ ফাগৎলে।

**য়ু (এল)ঃ** সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা মীওই মরিদগী লুপা লিশিং ৬৮ লোমগী মমল ওইগদবা য়ুঔৌ ফারে।

য়ুঔৌশিং অসি পুলিস অমদি সি.আর.পি.এফকী কাংবুনা টি-খুলেনদা লৈবা নাকা চেক পোষ্ট অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা ফাখিবনি। ফারবা মীওইশিং অদু সেনাপতিগী লাইরৌ চিং, মরাম বজার অমসুং সাদিম নেপালি খুলদগীনি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবা পুলিসতা শিন্নখ্রে।

**কেম্প (এল)ঃ** মনিপুরগী মনুং হুনজিনবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা ঙরাং চান্দেল জিলাগী ন্যু সোংজাংদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা ন্যু খেসাংজাং অমদি অকোইবা খুলশিংদা লৈবা মীওই ৩১৫ না লেমা লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি। লোয়ননা কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবা অসাম রাইফলসকী মেদিকেল টিম অদুনা লু-নান্না লৈবা অমদি মচি ওইবা চিঞ্চাক চাবগী মরুওইবা কয়াগী মতাংদা খুঞ্জাশিংদা খঙহনখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা কাংদগী শন্দোকপা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কংলাতোম্বীদা পাক শন্না হিদাক কাপথোকখ্রে।

**মনকি বাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১১৬ শুবা ইপিসোদ হয়েং, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিদা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি।

মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিগী ৱারোল পীবা হেক লোইবগা শন্দোক্কনি।

**মাওইষ্টঃ** ছাতিসগরদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা মাওইষ্ট ১০ শিরে।

সুকমা জিলাগী কোনতা এরিয়াদা মাওইষ্টশিং লৈরে হায়বগী পাউ অমা ফংবদগী সি.আর.পি.এফ. অমসুং দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ব গার্দকী অপুনবা কাংবুনা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা, বৈজি এরিয়াগী জঙ্গল অমসুং চিংগী মফমশিংদা নাকল অনিগী মরক্তা খুৎ থোকখিবনি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম অদুদগী এ.কে. ফোরটিসভেন, সেল্ফ লোদিং রাইফল অমা য়াওনা নোংমৈ মরু কয়াসু ফংখি। মফম অদুদগী মাওইষ্টশিংগী অশিবা হকচাং লৌখৎলে। হৌজিকসু মফম অদুদা মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি।

পনবা য়াই, চহি অসিগী আগষ্টতা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ২০২৬ কী মার্চ

ফাওবদা লৈবাক অসিদগী লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজম মপুং ফানা লোয়শিনগনি অমসুং হীরম অসিগী মতাংদা ছাতিসগরদা নীংথিনা থবক পায়খৎলি হায়না ফোংদোকখিবনি।

সরকারগী পাউনা হায়-চহি অসিগী জানুৱারী থাদগী হৌজিক ফাওবদা নক্সলাইট ২৫৭ হাৎখ্রে, ৮৬১ না ফারে অমসুং ৮০০ না সরকারদা চংজরকখ্রে। ইং ২০২২ দা অহানবা ওইনা চহি ৪০ গী তুংদা লৈবাক অসিদা লেফৱিং এক্সত্রিমিজমগা মরী লৈননা মী শিবগী চাং ১০০ গী মখাদা লৈখি।

**কাউন্টিংঃ** মহারাস্ত্র অমসুং ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলগী ভোট মশিং ঙসি অয়ুক থিবা হৌরগনি। মসিগা লোয়নননা রাজ্য ১৫ গী বিধান সভা কেন্দ্র ৪৮ অমসুং লোক সভা কেন্দ্র অনিগী মরক্কী মীখলগী ভোট মশিংসু ঙসি থিগনি।

**স্কোলরসিপঃ** সেন্ত্রেল বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন (সি.বি.এস.ই) না মেরিট স্কোলারসিপ স্কিম ফোর সিঙ্গল গালস চাইল্ডগীদমক মহৈরোইশিংদগী ওন লাইনদা দরখাষ্ট কৌরি।

ইং ২০২৪ গী সি.বি.এস.ইদা ক্লাস টেন পাস তৌখিবা অমসুংসি.বি.এস.ইদা এফিলিয়েট তৌবা স্কুলশিংদা হৌজিক ক্লাস এলভেন তম্লিবা  মতোমতা পোকপী নুপীমচা মহৈরোইশিংনা স্কিম অসিগীদমক দরখাষ্ট পীশিল্লকপা য়াগনি। মসিগী মথক্তা ইং ২০২৩ দা স্কিম অসিগী খুদোংচাবা ফংখ্রবা মহৈরোইশিংগী রিন্যুয়েলসু ওন লাইনদা তৌবা য়ারগনি।

দরখাষ্ট পীশিল্লকপগী অরোইবা মতম মথং থাগী ২৩ ফাওবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মীয়ামগী শাফনবগীদমক মপানদগী আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং লমদম অসিদা করিগুম্বা থবক অমত্তা তৌহল্লোই হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফম, জিরিগী অশিবা হকচাং ৯ লৈরোন চনখিবগী পাউ অমদি মনিপুরদা সেন্ত্রেল আর্মর্দ পুলিস ফোর্স কম্পানি ২৮৮ দিপ্লোই তৌরি হায়বা সেক্যুরিতি এদভাইজরগী ৱাফম মরুওইবা পাউশিং ওইনা পাউচেশিংদা ফোংনরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-মীয়ামগী শাফনবগীদমক আইনা কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং মশক খঙদোকবা হোৎনরি হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফম বেন্নর হেদলাইন তৌরি। চীফ মিনিস্তরগী পাউ অসি তোঙান তোঙানবা হেদ তৌদুনা ফোংনরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-জিরিগী তেরর এট্টেক্তা সি.এমনা করিগুম্বা সি.আর.পি.এফ. দিপ্লোহ তৌরমদ্রবদি হায়না হেদলাইনগা লোয়ননা মরৈবাক মচাশিং থবক তৌহন্দনবা হোৎনগনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কংগ্রেসকী মতমদা মনিপুর খ্বাইদগী ৱাখি হায়বা বি.জে.পিগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনা লৈবাক, নহারোলগী থৌদাং, পোকফম, মনিপুর ন্যুজ অমসুং ঈচেল এক্সপ্রেসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-লৈঙাক পুমিন্নবদা য়াওরিবা কেবিনেট মিনিস্তর-খেমচান্দনা সি.এম. চৈরক্লে, ইং তপ্পা হনজিলহনবা ঙমদ্রবা সি.এম. করিগী ফম থাদোক্ত্রিবনো হায়বা মিনিস্তর খেমচান্দগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-মনিপুরদা খুৎলায় পায়বা ফোরেন মিলিটেন্টশিং কংগ্রেস পার্টিনা চংহল্লম্বনি হায়বা জে.পি. নদ্দাগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-জিরিগী অশিবা হকচাং ৯ লৈরোন চনখ্রে। মশিং য়াম্লবা

মীয়ামনা লৈ-শু কৎনখি হায়বা পাউ বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি।

মনিপুরদা সেন্ট্রেল আর্মর্দ পুলিস ফোর্স কম্পানি ২৮৮ দিপ্লোই তৌরি হায়বা সেক্যুরিতি এদভাইজর-কুলদিপকী ৱাফম পাউ চে অয়াম্বদা অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদনা অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুক হাৎখিবা অদু সুগী মখাদা লৈবা মিলিটেন্টশিংনা তৌখিব্রা, তৌখিদব্রা খঙলমদ্রে হায়বা হেদলাইন মখাদা সেক্যুরিতি এদভাইজরগী ৱাফম সব হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-ফোরেন্নরশিং মনিপ্রদা থবক তৌহল্লোই হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফমগা লোয়ননা কে.এন.ওগী পি.এস. হাওকিপ অমসুং জেট.আর.এগী টি. গুইতে ম্যান্মার মচানি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জিরিবামগী থৌদোক্তা সুদা লৈরিবা লালহৌবশিং চেন্নব্রা হায়বদু মখা তানা থিজিনবা মথৌ তারি হায়বা সেক্যুরিতি এদভাইজরগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-সেক্যুরিতি ফোর্সতগী মুনখিবা খুৎলায় লিশিং অহুম ফাগৎপা ঙমলে। জিরিবাম থৌদোক্কা মরী লৈননা মীওই অমত্তা ফাবা লৈতে হায়বা সেক্যুরিতি এদভাইজরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেসতনা সি.এ.পি.এফ. কম্পানি ৯০ থাজিল্লকপা হৌরে, অয়াম্বনা থুংলরে হায়না অহানবা লমাইদা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিয়ু মেলদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-তমেংলোংগী ত্রিনিতি পাব্লিক স্কুলদা অতল তিঙ্করিং লেফ হাংদোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-জষ্টিস-ডা: কৃষ্ণকুমার হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ

অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা ফোংনরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননা স্কুল য়ুনিফোর্ম শেৎলগা নিশা শিজিন্নবশিংগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চংল্লগনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।